# হায়ব্রিদ চুজাক্কী মরু পুথোকপা

## এস সুমঙ্গোল সিংহ



**মণিপুরগী** মফম খরদা অদুমক চুজাক য়াম্না পাম্না থানৈ হায়বা তাই। চুজাক্কী য়াম্না চান্নবা মতম অসি খরিফকী মতমদা ওইবনা থানবগী মফমদি য়াম্না চাওনা ফংবা ঙমদে। মতম অসিদা ফৌনা মরু ওইবা লৌউ পোথোক ওইবনা লৌফম অয়াম্বা ফৌনা কনখিবনা চুজাক্কী থাফম য়াম্না ফংদবগী মরমনি হায়বা তাই। মণিপুরগী সেরৌ, চীংগী মফমশিং অমদি তম্পাক্কী মফম খরদা ইন্টরক্রোপ ওইনা থাদুনা চুজাক্তগী শেল নিংথিনা ফংবা ইচিন ইনাওশিং লৈতবসু নত্তে। চুজাক, তর্ব্বুজ, খামেন অশিনবা, কোলি হৱাই খোঙনেম্বী পূন্না ইন্টরক্রোপ তৌদুনা শেল নিংথিনা ফংবা ইচিন ইনাওশিং অদুমক লৈ। মখোয়না থারিবা চুজাক মখলশিং অসি হৌজিক্কী মতমদদি হায়ব্রিদ চুজাক্না অয়াম্বনি। হায়ব্রিদ চুজাক ওইবনা মপান্দগী মরু পুশিল্লকপা নৎত্রগা অতৈ উপাই লৈতে। ঙসিগী ওইনা থমজনিংলিবা ৱাফমদি হায়ব্রিদ চুজাক মরু করম্না পুথোক্কনি হায়বদুনি।

মতম অমদদি চুজাকসি কম্পোজিৎ হায়বা অমগা, সিন্থেটিক হায়বা অমগগী মখলশিংনা অয়াম্বা ওইনা তৌরম্মী। মসিগী মরু ওইবা মরমদি হায়ব্রিদ মরুদি মমল তাঙবা, চহী খুদিংগী শীন্দবা য়াদবা, লৌমী ইচিন ইনাওশিংগী মরু লৈবদা শেল য়াম্না চঙদনবা হোৎনবা, লোয়ননা মশাগী লৌফমদগী পুথোকচবা মরুনা থারিবা মখল অদু চহী অহুম মরিদি অদুমক থাবদা চাথোক হন্থহন্দবা অসিনচিংবা পনবা য়াই। অদুবু হায়ব্রিদনা চাথোক য়াম্না হেনবা মরম্না হৌজিক্তি হায়ব্রিদ মখলনা অয়াম্বা পুথোরক্লে।

কম্পোজিৎ হায়বসিনা মান্নদবা চুজাক কয়া পূন্না থামিন্নদুনা চারৌ মৌরৌনহল্লগা ওইরকপা মখল কয়াগী মরক্তগী চহী কয়া চঙনা অফবশিং খনগৎতুনা মরু লৌরগা অফবা চুজাক্কী মখলশিং অপূনবা ভেরাইটি অমা পুথোক্তুনা শেম্বা মখলনি। মখোয় মশেল চারৌ মৌরৌনরগা পাল্লকপা চুজাকশিং অদুদগী মরু লৌদুনা অদুমক থাবনা চহী অহুম মরিদি মখলদুগী অফবা মগুনশিং মাঙবা তৌদনা চাথোকসু হন্থদে।

সিন্থেটিক হায়বসিনা চুজাক মখল খরা চারৌ মৌরৌনহল্লগা ওইরকপা মচাকশিং অদুগী মগুন য়েংলগা চারৌ মৌরৌনবদা শীজিন্নরিবা মমা-মপা ওইরিবা পান্বীশিং অদুগী অফবা মচা পুথোকপগী মগুন লেপ্পী। অসুম্না অফবা মচা পুথোকপগী মশক খঙলবা মমা মপা ওইরিবা পান্বীশিং অদু পূন্না থামিন্নদুনা মখোয়না পুথোকপা মরুশিং অদু সিন্থেটিক ভেরাইটি ওইনা থাননবা লৌমী ইচিন ইনাওশিংদা য়ৌরকই।

কম্পোজিৎকা সিন্থেটিক্কা খেন্নবা হায়ববু মমা-মপা অনীগী চাংয়েং তৌবা অমসুং তৌদবা সিখক্তুনি। মথক্তা পনখিবগুম কম্পোজিৎনা চাংয়েং তৌদনা অফবা খরা খনগৎলগা পূন্না থামিন্নদুনা মরু পুথোকপা অদুগা সিন্থেটিক্তনা চাংয়েং তৌরবা মমা-মপাশিংতমক খল্লগা থামিন্নদুনা মরু পুথোকপা অসিনি।

হৌজিক্লা অমুক হায়ব্রিদ হায়বসিনা করিনো খঙমিন্নসি। পারি পুরি মান্নদবা মমা-মপা অনীগী অহানবা চারোলদুবু হায়ব্রিদ নৎত্রগা মৈতেলোন দা মুক্সন হায়রগা খঙনৈ। মমা-মপা অনীদু মশক খঙলবা মগুন নিংথিনা খঙলবা চারোল মথং মথং থাবদা হোংবা নাইদ্রবা পান্বী ওইবা তাই। চুজাক হায়রিবা পান্বী অসিদি ক্রোস পোলিনেটেদ ওইবনা মথং মথং থাবদা হোংহন্দবা হায়বসি ওইথোক্তে। অদুবু হায়ব্রিদকী মমা-মপা ওইহনগে হায়রবদি হোংবদি য়াদ্রে। করম্না হোংহল্লোই? মসিগীদমক পান্বী অদু মশাগী লৈরিক্লা (চুজাক্কী মতোন্দা শাবা মপানগী) মশাগী লৈশিংবু (চুজাক মকাদা পাল্লকপা চুজাক্কী মশমদা) পোলিনেট তৌহন্দুনা চারোল কয়া অতোপ্পগী লৈরিক চঙহন্দনা মশাগী লৈরিক্তনা মরু চঙহল্লবা মতুংদা ওইরকপা মচাশিংদগী অফবা মান্নবা পান্বী খন খন্দুনা হোংদ্রবা পান্বী inbred line কৌবা অমা ওইহনবা চঙই। অসুম্না হোংবা নাইদ্রবা পান্বীশিংগী মরক্তগী অফবা মচা হায়বদি হায়ব্রিদ পুথোকপা ঙম্বা মমা-মপাশিং চাংয়েং কয়া তৌরবা মতুংদা অফবা মমা-মপাগী জুরা শেম্মী। অসুম্না জুরা শেমদুনা চহী খুদিংগী থামিন্নদুনা হায়ব্রিদ মরু পুথোকপা তাই। মসিনা হায়ব্রিদ করম্না পুথোক্কনি হায়বদুনি, মসিদি সাইন্টিষ্টশিংগী মথৌনি। অসুম্না পুথোক্লবা হায়ব্রিদশিংগী মরু পুথোকপা অদুনি ঙসি থমজনিংলিবদি।

হায়ব্রিদ চুজাক অমগী মমা-মপা অনীদুগী মরু ঐখোয়গী খূৎতা লৈরবদি মরু পুথোকপা হায়বসিদি খরা নিংথিনা হোৎনরগা য়াম্না লায়বা থৌওং অমনি। মরু পুথোক্লিবা ইচিন ইনাওশিংগীসু কান্নবা অদুগা কম্পেনিশিংগীসু কান্নবা অদুমক লৌমিন্নবনি। লোয়ননা চুজাক থারিবা ইচিন ইনাওশিংগী ওইনসু মখোয়দা অফবা মরু ফংহনবনি।

মণিপুরদসু হায়রিবা থবক অসি অদুমক পায়খৎপা য়াবা থৌরমনি। আই সি এ আরগী চুজাক্কী রিছার্স সেন্টরশিংনা পুথোকপীবা হায়ব্রিদ চুজাক্কী মরু পুথোকপগী প্রোগ্রাম অসি লৌমী ইচিন ইনাওশিংদা পায়খৎহন্নবা থৌরাং লৈ। মণিপুরদা থৱায় য়াওবা ইচিন ইনাওশিংনা হায়ব্রিদ মরু পুথোক্লবদি পুথোক্লিবা মীওইদুগীসু থাগদৌরিবা মীওইশিংগীসু অনীমক্কী কান্নবা ফংগনি খল্লি। মরম অদুনা হায়ব্রিদ চুজাক মরু পুথোকপগী কাঙলোন খরা খঙজিনবীন্নসি।

হায়ব্রিদ মরু পুথোকপদা চঙদবা য়াদবা পোৎলম খরদি - হায়ব্রিদ চুজাক অমগী মমা-মপাগী মরু, মফম চাবা লৌফম, থৱাই য়াওবা লৌমী, তাকপী তম্বীনবা অখঙ অহৈ, মরু য়োনফম, হায়ব্রিদ চুজাক থাবিনবা মীওইশিং অসিনচিংবগী চপ চাবা মরী অদু মথৌ তাই।

**হায়ব্রিদ মরু পুথোকপগী কাঙলোন ঃ**

হায়ব্রিদ মখল অমগা অমগা মান্নদবা, তোঙান তোঙানবা হায়ব্রিদকী মমা-মপাগী ৱাংবা চাউবা মান্নদবা, মফম মফমগী ঈশিং নুংশিৎ খেন্নবা পূন্না মক অসিগী মতুং ইন্না কাঙলোন্দা খরা খেন্নবদি লৈ অদুবু চাংচৎ অমদা পায়খৎকদবা থৌরমশিং মখাদা থল্লি।

**মণিপুরদা চানগদবা মতম ঃ**

ফেব্রুৱারী, মার্চতা খ্বাইদগী চান্নবা মতম ওইগনি। মীওই অয়াম্বনা মতমসিদা চুজাক থাবগী থৌরম পায়খৎনদে। মরম অদুনা অশেংবা, অতোপ্পগী লৈরিকশিং চঙহন্দনবগী তাঞ্জা ফংবা ঙমগনি।

**আইসোলেসন ঃ**

থৌওং অসি অতোপ্পা চুজাক থারিবা মফমদগী মরু পুথোকফম লৌবুক অদু কয়াম লাপহনগনি হায়বদুনি। য়ামদ্রবদা মিটর ৪০০-৫০০ লাপ্ন হনগনি।

**মরুগী চাং ঃ**

অমোম (মমা)- পরিদা কিলো ১৫, লাবা (মপা) - পরিদা কিলো ১০

**মমা-মপাগী পরেংগী চাং ঃ**

মমা-৩, মপা-১ হায়বদি অমোমগী পরেং ৩-৩ কান্নরগা লাবগী পরেং অমমম থাগনি। লাবগী পরেংনা অমোমগী পরেংশিং চপ্তুনা থাগনি। মতাই থংবা লাবগী পরেং অনী-অনী ওইহনবা ফৈ।

**পরেংগী মাইওন ঃ**

অয়াম্বা মতমদা নোংপোক নোংচুপ ওইহন্নৈ। মপান শাবা মতমদুদা অয়াম্বা মতমদা নুংশিৎ শিৎপগী মায়কৈ য়েংলগা থানৈ। নুংশিৎনা খা-ৱাং হুল্লবদি পরেংগী মায়কৈ নোংপোক নোংচুপ অদুগা নুংশিৎনা নোংপোক নোংচুপ শিৎপা মতম ওইরগনা পরেংগী মায়কৈ খা-ৱাং ওইহনগনি।

**অরন অকুং ঃ**

পরেংগী অরনবসি সেন্টিমিটর ৬০ (ফুট অনী) অদুগা পরেংগী মনুংদা পান্বীগী অরনবনা সেন্টিমিটর ২০ (ইঞ্চি ৮) ওইহনগনি। অহানবা থাবদা খরা কুংতক্লা মরু লিংলবা মতুং হৌরবা মতমদা অরন অকুং শেমগনি। অরনবা মফমদা অকুংবা মফমদগী মরা য়াওনা ফুক্লবা পান্বীনা লিংশিনবা য়াই।

**হার হাপ্পা ঃ**

লৌফমগী লৈহাও খেন্নবগী মতুং ইন্না খেন্নবা খরা লৈগনি, পরিদা ষন্থি ষণয়ুংগী হার ষণ গাড়ী মপোৎ ২৫-৩০ গা লোয়ননা য়ুরিয়া কিলো ২৫০-৩০০; এস এস পি কিলো ৩৫০-৪০০; এম ও পি কিলো ৮০-৯০ চঙগনি।

অরোইবা খোইবদা অপূনবা ষন্থিগী হার; এস এস পি, এম ও পি; য়ুরিয়াগী অপূনবগী তরা থোকপগী অমা চাং মান্ননা চাইদুনা খোইজিনগনি। লেমহৌরিবা য়ুরিয়াগী শরুক অদু তাঙ্কক মরি থোক্লা চাইবীগনি।

**তাঙ্ককশিং অদুদি ঃ**

মনা মরি শুরকপা মতমদা-অপূনবগী চাদা ২০; মনা নিপান শুবদা - চাদা ৩০; মপান শাবা মতমদা চাদা ৩০; অরোইবদা মরু চঙবা মতমদা - চাদা ১০ গী চাংদা চাইবিগনি।

**ঈশিং চনবা ঃ**

মথৌ তাবা মতমদা ঈশিং পীবা ফৈ। মণিপুরগী ফীভমদা, য়াম্নমক লৈঙোইলম নত্তবনিনা য়াম্না তোইনা চাইবগী মথৌ তারোই। চাং নাইনা খজিক খজিক পীবনা অমুক্তা য়াম্না চাইবদগী ফবা হেল্লি। মরু হুল্লবা মতুং, পান্বীনা পীক্লিঙৈ; পান্বীনা খুঊগী চাং ৱাংবা মতম; মপান শারকপা মতম; মরু চঙলকপা মতম; মরু চঙলবা মতুং নুমিৎ তরানি হায়রিবা মতমশিং অসিদা ঈশিং ৱাৎতনবা হোৎনবীগনি। চুরি পাথোক্লা কৈদৌঙৈদা ঈশিং চনবীরোইদবনি।

**নাপী পেংবা ঃ**

নাপীনা চাথোক চাদা ৩৫ হন্থহনবা ঙম্বা মরম্না নাপী হৌহন্দবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই। নাপী হৌদ্রিঙৈ মতমদা পরিদা atrazine 1.0-1.5 kg active ingredient ঈশিং লিটর ৬০০ তা য়াল্লগা কাপথোকপনা মনা পাকপা পাক্তবা নাপী অয়াম্বা হাৎপা ঙম্মী। মতুংদা চুজাক মরক্তা খুৎনা নাপী হৌরকপা খরা পেংথোকপা ফৈ।

**লায়না তীলনা ঙাকথোকপা ঃ**

মতম মতমদুদা তারকপা লায়না তীলনা অখঙ অহৈ মতম চানা তান্নদুনা ঙাকথোক্লবা হোৎনগনি।

**অমাঙবা পান্বী লৌথোকপা ঃ**

অমাঙবা (মখল মান্নদবা চুজাক) পান্বী খুদিংমক চিংনবা লৈতনা ফুকতোক্তুনা লৌথোকপীগনি। মসিগা লোয়ননা অহেনবা অকুংবা পান্বীশিং লৌথোকপীগনি। মসিনা খাকহৌরিবা পান্বীশিং মশা মঊ ফবা হেনগনি। মপান শাদ্রিঙৈ মতমদা মান্নদবা পান্বী খুদিংমক লৌথোকহৌবা কাওরোইদবনি।

**মখোঙ খোপচিনবা ঃ**

চুজাক মখোঙ খোপচিনবা হায়বসি পান্বী অদু নুংশিৎনা তুদনবা হোৎনবনি। মখোঙ খোপচিনবা অসিদি অহুল্লক শুবা য়ুরিয়াগী হার হাপত্রিঙৈ নোংমা মাঙজৌননা পাঙথোকপীগনি। হার হাপ্লবা মতুংদা চেকশিন্না মখোঙ খোপচিনগনি।

**ডিটাসেল্লিং (অমোমগী মপান শাৎতোকপা) ঃ**

হায়ব্রিদ মরু পানগদৌরিবা অমোম পান্বীশিংগী মপানশিং অদু হেক থিংগৎপগী মতোন খরা উরকপগা লোয়ননা মপান শাৎকায়দ্রিঙৈদা শৎতোকপীগনি। পরেং নাইনা মথং মথং চৎতুনা লোইশিনবীগনি। মপান শাৎপা মতমদা পান্বীগী মনুংদা মপান লেমহৌদনবা হোৎনবীগনি। মপানগী মখোকৱাইদা মনাগী মপান্দা খূৎ ওইনা চেৎনা পায়রগা খূৎ য়েৎনা মপানগী মখোকৱাইদা পায়রগা খঙশৎ শৎপা মতমদা মপান অদু ইরায় লায়না শৎপা য়াগনি।

**লোকপা ঃ**

লাবগী পান্বীশিং হান্না লোকপীগনি লোয়ননা তোঙান্না থম্বীগনি মতুংদা অমোম পান্বীদা পানবা চুজাকশিং হেকপীগনি। পাল্লিবা চুজাক্কী মপান থংবা মকুশিং কংলবা মতুংদা হেকপীগদবনি।

অসুম্না লোক্লবা অমোমদা পানবা মরুশিং অদু হায়ব্রিদ চুজাক মরু ওইরে।

# মীতৈ-মৈতৈ করম্বনা চুম্বগে?

## মঙাংচা কৈসাম ইবোমচা

**হন্দক** সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটিনা মীয়ামদা অমদি লৈঙাকলোইশিংগী মফমদা পুথোরক্লিবা মীতৈ/মৈতৈ সেদ্যুল ত্রাইব ওইগদবনি হায়না অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকপা অসিদা দিমান্দ অসি মী পূম্নমক্না পাম্নে। অদুবু ঐখোয়গী ফুরুপকী মমিং মীতৈ/মৈতৈ হায়বসি পাম্নরক্তবা অমখক্তা ওইবা পাম্নরক্লি। করিগীদমক্তা বনান অনী লৈগদৌরিবনো অমখক্তা লৈফম থোকই হায়বগী ৱাফম অমা নুংতিগী ফোঙবা পাউচেশিংদা ইনরকই। বেঙ্গলি মচানা মখোয়গী লমগী মমিং 'কলকট্টা' কৌরম্বা অদু লাল্লে হায়দুনা 'কোলকটা' হায়না ওন্থোকখ্রে। ঐখোয় মীতৈনা ঐখোয়গী ফুরুপ (কাঙলুপকী) মমিং ফাওবা অমখক্তা ওইদবা অসি অতোপ্পা ফুরুপশিংগী মমাঙদা ইকায়নিংঙাইনি। তোঙান তোঙানবা পাউচেশিংদা অমনা মীতৈ অমনা মৈতৈ হায়না ইরি। অরিবা লাইনীং লীচৎ চৎপশিংগী মনুংদা ঐখোয়গী লাইনীং মমিং সনামহী লাইনীং হায়বগা লোয়ননা ফুরুপকী মমিং 'মীতৈ' হায়না শীজিন্নৈ। ঐখোয়গী লাইনীংগী মমিং পাখংবা লাইনীং হায়গনি হায়বা কাঙলুপনা ফুরুপকী মমিং মৈতৈ হায়না শীজিন্নৈ।

অহানবগী সনামহী লাইনীং হায়গনি হায়না হায়রিবা কাঙবুনা লাইরিক/শীজিন্নরিবা পুয়া/লাইরিকশিং অসি পামহৈবগী মমাঙদা মাইচৌ অহুমদগী মঙা ফাওবা য়াওনা নিংথৌ য়াওনা ইবা পুয়ানি। ৱারী লীবা মাইচৌগী মমিং অইবা মাইচৌগী মমিং য়াওই। মীতোপ লোল, মীতোপ ময়েক য়াওদবা, মীতোপকী লীচৎ য়াওদবা ময়েক ১৮ খক্তনা ইবা পুয়া/লাইরিকনি। পাখংবা লাইনীং হায়গনি হায়রিবা কাঙলুপনা পায়রিবা নৎত্রগা শীজিন্নরিবা লাইরিকশিং অসি পামহৈবা অমসুং ভৈগ্যচন্দ্রগী মতমদা বঙ্গালি ময়েক্কা মান্নবা শেমদোক্লবা ময়েক ৩৫ না ইবনি, অইবগী মমিং য়াওদবা, মীতোপ লোল য়াওবা মীতোপকী লীচৎ, চৎনলোন য়াওবা, লামায়না শ্রী ১, শ্রী ২, শ্রী ৩... নৎত্রগা বঙ্গালিগী অঙ্ক মশীং ১, ২, ৩ ... ১০ হায়না ইবা লাইরিকনি। মতৌ অসুম তৌদুনা ঈনাৎ চৎপশিংনা মানা মানা থোকপা মওংদা মিং থোনবা, ফুরুপকী মমিং কৌবা, মীতৈ, মৈতৈ, কংলৈচা, মণিপুরী; লৈপাক্কী মমিং কংলৈপাক, পোইরৈপাক, মীতৈ লৈবাক, মণিপুর অমসুং ময়েকনা ১৮, ২৫, ২৭, ৩৫ নাওরিয়া ময়েক খেন্নবা কয়া অমা লৈরিবসি লৈপাক মীয়াম পূন্না খন্ন-নৈনবা অরেপ্পা থিবা থৌপুরোই কাঙলুপনা শিন্দুনা হৌখিবা চৈচৎ ১-১০-১৯৯২ ইংদগী চৈচৎ ৮-১০-১৯৯২ ফাওবা কংলা লাইফমলেনগী তাইরেল মখোঙদা নৈন মীফম পাঙথোকখি।

সেমিনার অদুদা ৱাশক চেগা লোইননা হীরম হীরমগী ৱারোল পাথোকখি। লাইফমলেনদা পুয়া/লাইরিক পুথোকখিদবা খরগীনা ময়ূম ময়ূমদা য়েংনখি। মীওই খরদি নীনি শুবা নুমিৎতগী লাকখিদ্রে। মীফম অসিগী ৱারেপ ৱাচুম শুবশিংগী ৱারোল, অরোইবা ৱারেপশিং অদু 'কংলা ৱারেপ' কৌবা লাইরিক অমা সেন্টর ফোর রিছার্স এন্দ পব্লিকেসন, কংলৈপাক্না চৈচৎ ১-১-৩৪০৮ মলিয়াফম পালচা কুমসিং (তাং ৩১-১২-২০০৯ ইংদা) ফোঙদোক্তুনা মীয়ামদা ফংহনখি। 'ফুরুপকী মমিং লেপ্পা' হায়বা হীরম খক্তদা ঙাঙনখিবা, ইনখিবা অমদি ৱারেপ ৱাচুম শুবা কাঙবুনা থেংনখিবা শল্লপ্পা ৱারোল অদু মীয়ামদা পাউদমজগে।

অহানবা ওইনা মীতৈ কাঙলুপনা হায়খিবা ইখিবা মরী লৈনবা লাইরিকনচিংবগী মরমদা ইজগে। মীতৈ হায়গনি হায়বা কাঙবুনা পীবা লাইরিক পুয়াদি পামহৈবনা নিংথৌ ওইদ্রিঙৈগী মমাঙদা পাল্লম্বা, ইনিংথৌগী মতমদা মায়চৌ মরি মঙাগা নিংথৌ য়াওনা ইখিবা পুয়ানি। ময়েক ১৮ খক্তনা ইবা মীতোপ লোল, য়াওদবা, মীতোপকী চৎন-লীচৎ য়াওদবা। ঈনুংলোল, খুনুংলোল, শুনা য়াওবা, মীতৈগী খূৎনা শাবা চেগী লাতমদা ইবা পুয়ানি। পুয়াগী চে, মুক খূৎই হেক উবদা এক্সপার্ট নৎত্রবসু অরিবনি হায়নিংগনি।

মীতৈগী ৱাঙাঙলোইশিংনা পনখিবা অহানবদা 'ৱাকোকলোন হিলেন মিলেন সলাই অমাইলোন পুকোক পুয়া' (লা: ৪-৫, সগোলবন্দ মীতৈ ফুরুপ ইঙ্ডম লৈরক), অনীশুবদা ৱাকোকলোন থিলেন সলাই অমাইলোন পুকোক পুয়াগী লামাই ২০-২১ দা য়াওবা (থোকচোম থোকাচানবগী ইমুং মনুংদা লৈবা পুয়ানি) অহানবা অমসুং অনীশুবদা য়াওবা ৱাহৈ 'আতিংআ সিতাপাকী মমিত মনুঙতা লৈপা মিত নাহা আতুপু মাললে হায়পাকীপু মী কৌয়ে। মি অতুপু য়েংনা সাখিয়ে হাইপাকীপু মী কৌয়ে। মী অতুপু খঙননাপা হাইতুনা অতীংআ সিতপাকী মমিত মনুঙতা লৈপা মমিপু য়েংতুনা সাখিপানা আতৈ অমানি খঙননাপা হাইতুনা মী আতৈ কৌয়ে। মিতা সাইওোন তৌতুনা পোকপা সাপা তাইপঙ মীনা মীতৈ হাইনা কৌখলে'।।০।। মথক্কী পুয়াগী ৱাহৈদগী ঐখোয়না খংলে মদুদি মচা ওইবা খুদিংমক মপা ওইবশিংগী ঈদগী তৈথরকপা ঙাক্তনি। হায়বদি ওইরক্কদৌরিবা নৱা (মচা) অদুগী সাৱোং, সক্তম, ৱাঙাং সাঙাং, লীচৎ সাচৎ অদু মপাগী ঈদা পকতুনা/তৈদুনা/য়াওদুনা লৈরম্বনা পোক্লকপদা মপা, মমা হেক হেক মাল্লিবদুনি। মথক্কী পুয়া অনীদা হায়রিবা সালাইলেনগী মিৎ নহা মনুংদা তাবা মি হায়রিবা অসি অতৈ অমা নত্তে মপু মাগী মমি ওইরিবা (জিনদা য়াওবা) য়াইবিরেল মিরেল অদুনি। য়াইবিরেল মিরেল মহাক য়াওদ্রবদি তাইবং মী অসি অশিবা হকচাং ওইগনি। হায়বদি মপু মাগী অহকপা মচাক/পোৎশক মঙা (মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ, লৈপাক অমসুং অতিংআ) অসিনা হকচাং পোলাং অসি শারিবনি। মরম অসিনা হে থৱায় মঙামক মিগা থানা তরুকমক হায়নরিবনি। কনাগুম্বী নুপী/মৌ অমা মীরোনবী (নৌলুবী) মতমদা মীলোনবী (মীরোনবী) হায়না কৌনৈ নৎত্রগা খঙনৈ। মসিগী মরমদি মৌ অদুগী মশাদা হান্ননা য়াওজরিবা থৱায় মিরেন অদুগা নৱা অঙাং অদুদা নৌনা য়াওরক্লিবা থৱায় মিরেল অদুগা পূন্না থৱায় য়াইবিরেল অনী শুরে। মী অনী লোল্লে হায়বগী মীলোলবীদগী মীরোনবী হায়না খঙনরি। মালেম তাইবংপাল অসিদা লৈরিবা থৱায়পানবা খুদিংমক মাগী মাগী মপা (জিন) দগী তৈথরকপা ঙাক্তনি। অহুমশুবা খুদম ওইনা ভৈগ্যচন্দ্র লারৈ লাথুপ (অফোঙবা মীতম্বাল কৌবা) লাইরিক্কী (লাঃ ৫৮, ৫৯, ৬০দা ) মীতৈ কৌই, মৈতৈ কৌদে হায়না তাকই। ৱারোলদি 'মরৌ লৈরবা ময়াংশিংনা মীতৈগী চৎনবী পাকলৈ নমসা থিনববু অনৌবা মওংদা দ্বাদশ তিলক হায়বা চন্দল মথিল অসি মীতৈ নুপা খুদিংমক কায়দনা থিনগদবনি হায়জিন্দুনা মীতৈ নিংথৌ মপা মচানা লাউথোকহনখি। লৈপাক নিংথৌ য়াওনা শগোল পাউ চেন্দুনা মরম ইকায় কায়দনা থিলহনখি। মীতৈগী লাইপক ময়াইদা, নাকচিদা, নাহুমদা চন্দোলতনা পংতৈদা তৈবা উরুবদগী মখোয়না (মীয়াম্না চন্দোল তৈবা কাঙলুপ্পু মাইতৈ চন্দোলতনা পংতৈদা তৈ হায়বদগী মায়তৈ হায়বদগী মৈতৈ হায়না কাইনথংদা খঙনখি। মরিশুবা খুদম ওইনা লাইনিংহল নাওরিয়া ফুলোনা ইবিরম্বা (১) ঐগী ৱারেং (২) মীতৈ হৌভম (৩) সাকোক থিরেলনচিংবদা ঐখোয় ফুরুপকী মমিং মীতৈ হায়না য়াওরি।

মঙাশুবদা - হৌজিক হৌজিক চৎনরিবা মীতৈ ময়েক ২৭ কী মমিং অসি লৈঙাক্লা 'মীতৈ ময়েক' হায়না লৈঙাক্কী ওর্দর নম্বর ১/৩৮/এস এস ঈ/৭৮ এন্দ ১/২/৭৮-এস এস/ঈ কৌখ্রবা ফুরুপকী মমিংসু 'মীতৈ' হায়না কৌফম থোক্লে। ৱাকোকলোন হিলেন অমসুং ৱাকোকলোন থিলেন পুয়া অনী অসি মোংয়াম্বা নিংথৌ (খৃঃ ১৫৬২-১৫৯৭) ফাওবা পানখিবা মতমদা মোংয়াম্বা ইনিংথৌনা পাউতাক হিদেন্দগী হল্লকপা মতমদা মোংয়াম্বনা আপোইনানা মায়চৌদা ভাসালা নিংথৌগী ৱারী লিখুন তৌবিয়ু হায়বদা মায়চৌ মরিগী মমাঙদা লীখিবা ৱারীনি। ৱারী অসি চকপালম মচা মায়চৌনা ইখিবনি। হৌজিক পায়রিবা নৎত্রগা লৈরিবা পুয়া লাইরিক অসিদি পামহৈবগী মতমদা চাউবা কৌবা মীওই অমনা অমুক হন্না শিনে দাকখিবনি। পুয়া অসিদা লৈসেমলোন, মীসেমলোন হকচাং কয়াৎ শাগৎপগা লোয়ননা ময়েক্কী মতাংদা ময়েক শেংনা মচা খায়না ইবিরি। ৱাকোকলোন হীলেন পুয়াগী চে অসি মিলগী চে নত্তে, খূৎনা শাবা মীতৈ চেনি। মমাই অমদা অকুৎ অতোং নাই অদুগা মনমনা ফীগী লংগী মমি তাই। পুয়া অনীমক্কী মতিক ময়াইদি পুয়া অসিগী ৱারী তাজরবা মতুংদা মোংয়াম্বা নিংথৌনা থাঙ খম্বোম্বা তা খমশুনহা ফংজদুনা খাগী লৈপাক্কী মৈতনা কৌবা হিংচাবা হাৎপা ঙমজখি হায়না পুয়াগী অরোইবা শরুক্তা য়াওরি। মথক্তা পনজরিবা পুয়া অনী অসি কংলৈপাক (মণিপুরগী) পুয়া মরি খনগৎপদা অনীমক য়াওখ্রবনি। অদুগা হৌজিক চৎনরিবা মীতৈ ময়েক লেপ্পদসু পুয়া অনীসিদা য়ূম্ফম ওইখি। ৱাকোকলোন হীলেন অসি নেসনেল অর্কাইব, ন্যু দিল্লিদা থাদুনা অরি অনৌ চাংয়েং তৌরুবদা ১৮ শুবা সেঞ্চুরিগী অঙনবা মতমগী লাইরিকনি হায়না মখোয়গী Letter No. F-7/12/89 CRL dt. 29th Nov. 1989 পীবিরকই।

মৈতৈ কৌবগী মরমদা নৈনবা - ঐখোয়গী ফুরুপকী মমিং মৈতৈ কৌগনি হায়বা কাঙলুপকী মীওইনা অরিবা লাইরিক/পুয়াদা য়াওবনি হায়না পীবশিং হায়জগে - ১) পোম্বীলোন য়াঙবী লমলেনগী লামায় ১০ দা য়াওবা তাইবং পানবদা লৈরিবা মী মাননতে তোপনা মচু মমেন/মঙান মশা মতিক মঙাল তোপনা ওইএ হায়পকী মৈতৈ কৌএ (২) খুনুং লৈকোইরোনগী লাঃ ৭ নোংপোক নিংথৌনা থেংতেংতনা মরোন ৫ লক খুন্তাক কতলে। মইতই মচানসু নোংপোক সাকৈ কৌখিঙৈনে। নোংচুপনা মইতই কৌরাঙৈ (৩) হোনখেৎলোন্দা 'অৱাং লাইনা পাংবরম থেৎপা থেনতি ঈপাম পোইরৈ মৈতইনা চিংপা মরম তানাতপনে উসিনো (৪) সোরারেন খোংগুনলোন - মৈফা চিংবদগী মৈপু থোকখিয়ে অদুদগী মৈতই কৌখিয়ৈ। (৫) ঐখোয়গী হকচাং সিরগা মৈ থায় হায়দুনা মৈথায়দগী মৈথৈ - মৈতৈ হায়না হায়রি। মথৌনা মৈ হৌই হায়দুনা মৈ + তৈ = মৈতৈ হায়না অতোপ্পা মীনা থোনবনি । (৬) কনাগুম্বা অমনা মৈ ঈরলাৎলি হায়দুনা মৈতৈ কৌগনি হায়রি। (৭) পাখংবনা লীনগী মশক ওইনা চপ তিংনা মৈদগী থোরকই হায়না অসিদগী মাবু মৈদিঙু হায়না খঙনরকই। মৈদিঙু পাখংবগী মচানি হায়দুনা মৈতিংদগী মৈতৈ তারকই। মথক্কী মরম ময়ামদগী ঐখোয়না খংলে মৈতৈ ময়েক ৩৫ না ইবা লাইরিকা ইরম্লিবসি ময়তয়, মইতই, মইতৈ, মৈতাই মৈতই, মৈতৈ, মইতয় ৱাহৈশিংসি লাইরিক পারিবা মীওইনা মৈতৈ হায়না পাই, পাগনিসু হায়রি। হংনরিবা ঙাংনরিবা ৱাফমদি ৱাহৈশিং অসিদা ইরিবা ময়েক অসিবু করম হায়না মৈতৈ হায়বা খোন্থোক থোক্কদৌরিবনো? মৈতৈ নত্তবা মী অতৈনা পাবদা মৈতৈ হায়বা খোন্থোক শুকথোক থোক্লোই। ময়েক ৩৫ গী ময়েকশিংগী মনুং ঈ য়াওদে/লৈতে অদুগা ই ময়েক করম্না শিজিন্নরিবনো? ৈ (ঐকার/চৈনপ) ময়েক লৈনা লৈনা ৈ (ঐকার) গী মহুত্তা ই নৎত্রগা য় করম্না/করিগী শীজিন্নরিবনো? মৈতৈ হায়বা ৱাহৈ খোন্থোক অমা ইনবা হোৎনবদা অসুক য়ামখ্রবা ময়েক ময়াম্মা ইবগী করিনো হংনিংই। লাইরিক অমদা বানান অমা মরম অমা পীদুনা অমগা অমগা মান্নদবা ইরিবসি মৈতৈ হায়বা ৱাহৈ খোন্থোক লাল্লি খঙনা খঙনা ইনিংদদুনা নাথৈদুনা ফৈরেং তুরেং ইরম্বা জাৎলা? নৎত্রগা মীতৈগী লোলচন (বনান) খঙদবা মীয়ানচানা ইরম্ব্রা? নৎত্রগা তুংলমচৎতা ঐখোয় মশেল খৎনহৌনবা থাক্লম্বা লাংলা হংনিংঙাই ওই। ময়েক ৩৫ দা ই য়াওদবনা/লৈতবনা ইমা, ইপা, ইচে, ইয়াম্বা, ইনাও, ইচা, ইসেন, ইবাই, ইপল, ইমহাল য়াদদুনা ইগী খোন্থোক ইবদা য়ি নৎত্রগা য়ী ওইনা শীজিন্নৈ। মখোয়গী লাইরিক্তা য়িমা (ইমা), য়িপা (ইপা), ঈপল (য়ীপল) য়ীসিং (ঈশিং)... হায়না ই। মৈতৈ কৌবগী মরম পীবদা মথক্কী ৫ শুবদা হায়রিবা 'ঐখোয়গী হকচাং শিরগা মৈ থাই হায়বদগী মৈথাই- মৈথৈ - মৈতৈ থোনবনি' হায়বসি নৈননিংই ঐখোয়না শিরগা মৈ থাবা/থারিবগী মওং মতৌ অসি পামহৈবগী মতমদা পুয়া মৈ থাখিবগী মওং মতৌ লৌদুনা তৌবনি হায়বগা লোয়ননা অদুঙৈ পামহৈবগী মতমদা ঐখোয়গী মঙদগী (মোঙফমদগী) শরু ময়াম খোল্লগা নিংথি তুরেলদা থাদকিবগী মতাং পামহৈবা লাথুপতা ময়েক শেংনা য়াওই। হকচাং মৈ থাবগী মতাং য়াওবনা মৈতৈ হায়বা ৱাহৈ অসি পামহৈবগী মতুংগী লাইরিক ওইগনি। ঙসি ঙসিমক মীতৈ হিন্দুশিংনা পোৎলোইবগী মৈ খূৎথাসি পামহৈবনা চৎহনখিবনি। অদুগা তরেৎশুবদা হায়রিবা মৈ ইরাৎপদগী মৈতৈ কৌই হায়রিবা অসি ঐখোয়গী ওইনদি লানগনি। মসিদি মীয়ানচাগী চৎনবীনি হায়জনিংই। মীয়ানচাগী থবক থৌরম খুদিংমক্তা মৈ পুজা তৌই হায়বদি লুহোংবা ফাওবদা মৈ পুজা তৌদুনা নুপা নুপী অনীমক মৈ কোইরিবা অদু মীয়াম্না উবিরমগনি। মৈ ইরাৎপা ঐখোয় মীতৈগী নত্তে। ঐখোয় মীতৈদি লাই লৌখৎপদা ঈশিংদগী ঈকৌখৎলি। থৌরম খুদিংদা ইরাৎ ফু (ঈশিং য়াওবা পুন/সনাপুল) দা ঈরাৎ ইসোল তৌবা ঐখোয়গী নাৎকী ওইবা থৌরমনি। মৈ ঈরাৎপা থৌরমদি মীয়ানগী লীচৎ (লাইনীংগী) চৎনবীনি। ৱাফম অসিনা মৈতৈ হায়বা ৱাহৈ মীয়ানচাগী লীচৎ (লাইনীং) গা শাগোন্নরকপা ৱাহৈনি হায়জনিংই। মথক্তা পনখ্রিবা লাইরিকশিংসি নত্তনা মণিপুর লৈঙাক্কী ষ্টেট একাদেমি অমসুং সেন্ট্রেল লাইব্রেরিদা লৈরিবা অরিবা লাইরিক ময়েক ৩৫ না ইবা পূম্নমক ইরম্বা মাইচৌগী মমিং য়াওদে, লোইননা লাইরিক্কী লমাই মশীং শ্রী ১, শ্রী ২, শ্রী ৩ ... নৎত্রগা বঙ্গালী ময়েক্কী অঙ্ক মশীং ১, ২, ৩, ৪... ৯ হায়না ইবা ঙাক্তনি। মীতৈ ময়েক্কী চৈশিং ময়েক্লা লমাই মশীং থাদে। মৈতৈ ময়েক ৩৫ অসি পাবগী খোন্থোক্ল া কা, খা, গা, ঘা, ঙা, হায়না পাই। পরেং অমদা বঙ্গালী ময়েক্লুম্না ময়েক মঙা মঙানা শাই। শম্না হায়রবদা বঙ্গালী ময়েক মান্ননবা শেমদোক্লবা মৈতৈ ময়েকনি হায়জনিংই। ময়েক ৩৫ গী লাইরিকশিংসি মীয়ান মচানা ইরম্বা নৎত্রগা মীতৈ মচানা ইরম্বা ওইরবসু অরানবা লাইরিক্তা মখোয়গী মমিং য়াওহন্নিংদবদগী অইবগী মমিং ইরমদবা ওইগনি। থেংনা ইবা পামহৈবা লারৈ লাথুপ অমসুং ভৈগ্যচন্দ্র লারৈ লাথুপ ফাউবা ইরম্বা চাউবা (গোপী) মমিং য়াওই। কংলা লাইফমলেন্দা খননা নৈন মীফমগী ৱারেপ ওইনা মীতৈ হায়বনা চুমই হায়না 'কংলা ৱারেপ' কৌবা লাইরিক মলিয়াফম পালচা চৈচৎ ১-১-৩৪০৮ খৃঃ চৈচৎ ৩১-১২-২০০৯ ইং দা মীয়ামদা ফোঙদোকখ্রে। মীয়াম্না অমুক্তং পারগা ৱাখল তৌবিগনি হায়না খনজে। পামহৈবগী হাক্তক্তা পুয়া মৈ থারুবগী লংজ মহৈ ওইনা শান্তিদাসকী মশা পূম্বা লাইথুং পকপা ফনবা ইপু খোংনাংথাবগী মখোং পায়দুনা হায়জবদগী ইপুগী পাউতাক মতুং ইন্না শান্তিদাস মহাসোই কোংবা পুরুকশৌবী ইকোন্দা ইরুপ্পদা ইপুথৌ পাখংবগী মতিক ময়ায় ওইনা অকি তুজুংবা মওং সানা মচুতনা লৈতেংদুনা ময়াদা মৈরি ফ্রি ফ্রি লাউনা কামদুনা থোক্লকখি। ইপু খোংনাং থাবনা তাকখিবা ৱাহৈ নহনফমদা হনজিনবিরো নতেকফমদা তেবিরো হায়না হায়বদগী অকি তুজুংবা শক্তম মাঙখি। শান্তিদাস লাইথুং লৈনা কোকচখি। থিনথবা লৈতনা ময়াং মহু চাউবনা নিংথৌ পামহৈবদা চীরোন অমমুক তৌখি। হে নিংথৌ অথোইবা নংগী লৈপাক অসিদি অচম্বা নত্তে। মনি মুক্তাতনা লৈতেংবা লীনগী নিংথৌ অনন্তানা লৈবা লমনে। ঙসিদগী নঙগী লৈপাক্কী মমিং 'কংলৈপাক' কী মহুৎতা মণিপুর হায়না কৌরসি হায়দুনা লৈপাক্কী মমিং হোংখিবগুম ভৈগ্যচন্দ্র মহারাজগী মতমদা ঐখোয়গী ফুরুপকী মমিং 'মীতৈ' হায়না খঙনরম্ববু 'মৈতৈ' হায়না খঙনখি। ঐখোয়না খঙলে মদুদি 'মীতৈ' হায়বসি আ পামহৈবগী মমাঙদগী অদুম কৌনদুনা লাক্লবনি অদুগা 'মৈতৈ' হায়বা ৱাহৈ খোন্থোক অসিনা মহারাজ ভৈগ্যচন্দ্রগী মতমদগী খরা খরা শীজিন্নবা হৌরক্লে। লোয়ননা ভৈগ্যচন্দ্রগী মতমদা মীয়ানচাশিংনা থোনখিবা মিংথোলনি। লৈপাক মীয়াম্না ৱারেপ ৱাচুম শুবা মীওই ওইবিদুনা য়াম্না কুপ্পা নৈনবা, অচুম্বা অশেংবা অদু মীয়াম পূন্না খঙমিন্নবা মথৌ তাই হায়জনীংই।